# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.230 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈ ৬নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, November 13, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


মণিপুর হার্ট ফাউ-ন্দেসননা স্কাই হোস্পিটাল অমদি য়াম্বেম ফিজিও-থেরাপি ক্লিনিক্তা খূৎশম্নরগা ককচীংদা পাঙথোকপা ফ্রী হার্ট কেম্পগী শক্তম


লামায় ৫

নোর্থ এ ও সীদা লৈবা এম সী পি সী আরগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা কম্মিসন অসিগী ৭শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগী শক্তম


লামায় ৪

ইম্ফালগী নাগমপাল রিমস রোদতা নোর্থ ইষ্ট স্মোল ফাইনান্স বেঙ্ককী লম্ফেলপাৎ ব্রাঞ্চ দেপ্যুটি সী এমনা রিবন কক্তুনা হাংদোকপগী শক্তম


লামায় ৫

অথৌবশিংগী নীং-শিং নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা তেরা কৈথেলদা লৈবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মৈরা কৎপা


লামায় ১

## HL POLL

**Q :** •Meerepsing criminal record lot-shinba yahandanaba ECI gi thourang mai pakkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Loktakta ayush floating healthcare cum ayush tourist facility project paikhatpada mai pakkani khanbra?

Yes 31% No 69%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!

ঐ দিল্লিদা লাইরিক তম্বা চৎচরুখিগে পুপু...!



শেল চাবা ঙম্নবা কন্না হোৎনৌ...!

# ফাকাপকী কেস : আর্মি অমসুং পুলিস ওফিসরশিংগী ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি): মণিপুরদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরগী কেস জজ অনীদা হিয়ারিং চখ্নহনবীগনু হায়না মণিপুর পুলিসকী পর্সনেল অমসুং আর্মি ওফিসর খরনা থাঙ্গৎলক-খিবা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

কেস অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা মরম চাদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়বগীদমক জষ্টিস মদন বি লোকুর অমদি জষ্টিস য়ু য়ু ললিতপু হিয়ারিং চখ্নবদা য়াওহনবীগনু হায়না মণিপুর পুলিসকী পর্সনেল অমদি আর্মি ওফিসর খরনা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

মমাংদা জষ্টিস লোকুর অমদি জষ্টিস ললিতনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংবু মীহাৎপনি হায়না ফোঙদোকখিবগী থৌওংবু প্রিজুদিসল ওইবা থৌওংনি হায়না মরাল শীরদুনা জষ্টিস অনীমক কেস অসিগী হিয়ারিং চখ্নবদা য়াওহল্লোইদবনি হায়না ৱাকৎলকখি।

অদুমওইনমক সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী ৱাকৎ অদু সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখিদে। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট মুকুল রোহাটগীনা হায়খি, ৱায়েল চখ্নরিবা জজ অনীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা মরম ওইরগা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী পূক্নিংদা অকিবা ফাওহল্লে। অচুম্বা মওংদা ৱায়েল চখ্নরোইদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈবনা জজ অনীমক ৱায়েনবদা য়াওহল্লোইদবনি। পুলিস অমসুং আর্মি ওফিসর খরনা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনসু মপূং ফানা শৌগৎলি হায়না এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মণিপুরদা এক্সট্রা জুদিসল ওইবা মওংদা চখ্নখিবনি হায়বা মীওই ১,৫২৮ হাৎখিবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকপা পি আই এল অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা হিয়ারিং চখ্নদুনা লাকখিবনি। মমাং চহীগী জুলাই ১৪ দা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অমনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী ওফিসরশিং য়াওবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেমদুনা মণিপুরদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরগী কেসশিং মপূং ফানা থিগৎনবা খঙহনখি। ইনক্বারি কম্মিসননা থিগৎখিবা কেস ৩২, জুদিসল ওথোরিটিশিংনা ইনভেষ্টিগেসন চখ্নখিবা কেস ৩২ অমসুং জষ্টিস সন্তোশ হেগ্রেনা লুচিংবা কম্মিসননা থিগৎখিবা কেস ৬ য়াওনা ফেক এনকাউন্টরগী কেস ৮১গী এফ আই আর রেজিষ্টর তৌনবা কোর্টনা য়াথং পীবা লৈখ্রে। কেস অসিগী এমিকস ক্যুরে, এদভোকেট মেনেকা গুরুস্বামি অমসুং ভিক্টিমগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট কোলিন গোনজালভেসনা হায়খি মদুদি, কোর্টনা চখ্নরিবা ৱায়েলদা অপনবা পীনবগী পান্দমদা পি আই এল অসি ফাইল তৌরকখিবনি।

## শ্যাম : ইমা-ইবেলশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনসি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):

মাংলোমদা চৎপা চাউখৎপা খুন্নাই পুরক্লবগীদমক ইমা-ইবেলশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনসি, পোত্থোক হেনগৎহনসি হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙসি লম্বোই-খোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা পাঙথোকখিবা এক্সপোর্ট এন্দ ঈ-মার্কেটিং দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপো (মনিটেক্স) দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী চখ্নরকখিবা মনিটেক্সকী শরুক অমা ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## অথৌবশিংগী খূভমদা মৈরা কৎতুনা ইকায়খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২: চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি নুমিদাং তেরা কৈথেলদা লৈবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বতা নৎতনা মৈরা কৎখ্রে।

অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কেন্দল কয়া থাল্লমখি। মফম খরদদি অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা ফেষ্টূনসু থেৎলমখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৭৯ গী নবেম্বর ১২ দগী অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি হায়রি।

## দ্রিঙ্কিং ৱাটর স্কিমগী লুপা ক্রোর ২৬০০ পীরক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি অমসুং মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসলশিং উনদুনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা শেল-থুমগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে।

ইমা কৈথেল কয়া শেমগৎপগা লোয়ননা থৌবাল প্রোজেক্ট, ষ্টেট গেষ্ট হাউস, লোক্তাক লাইবলিহূদ মিসন অমদি অতৈ মরুওইবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা মতেং পাংবীনবা ৱাফম চীফ মিনিষ্টরনা ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিস (পি এম ও)দা হায়জখি। ৱাটর রিছোর্স মিনিষ্ট্রি, মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল ...মখা লামায় ৩ কলম ৪


HL-B/5552/21/10-20/11

OFFICE OF THE
CHIEF ELECTORAL OFFICER, MANIPUR
***

www.ceomanipur.nic.in | Email: ceo_manipur@eci.gov.in
Telefax : 0385 2414239/2414859 | jtceo_manipur@eci.gov.in

**NOTIFICATION**
Imphal, the 11th November, 2018

**No. 20/05/2018/ELEC/SVEEP/EVM-VVPAT/LS-2019 :** It is hereby notified for information of the general public including the political parties that Familiarisation Camps on EVM (Electronic Voting Machine) and VVPAT (Voter Verifiable Paper Audit Trail) are being organised in all the polling stations starting from **12th November, 2018 (Monday)** with the objective of providing firsthand experience of EVM & VVPAT which are to be used in all the polling stations of Manipur in the forthcoming General Election to 17th Lok Sabha, 2019.

All the electors and the representatives of political parties are hereby requested to participate in the said awareness campaign. Your cooperation is sought for successful conduct of the forthcoming election. The detailed polling station wise schedule of campaign is uploaded in **www.ceomanipur.nic.in**.

Sd/-
**P.K. Singh**
Chief Electoral Officer, Manipur

HL-B/4982/13




ORGANIZING COMMITTEE
**MANITEX**
THE MANIPUR INTERNATIONAL TEXTILE EXPO
Directorate of Handlooms & Textiles, Govt. of Manipur

Cordially request the pleasure of your kind presence at

**HANDLOOMS & TEXTILES SCHEMES DAY**

**13TH NOVEMBER, 2018 | 01:00 P.M. | MANIPUR TRADE & EXPO CENTRE, LAMBOI KHONGNANGKHONG, IMPHAL**

**CHIEF GUEST**
SHRI Y. KHEMCHAND SINGH
Hon'ble Speaker, Manipur Legislative Assembly

**PRESIDENT**
SHRI S. RAJEN SINGH
Dy. Chairman (SPB)/Chairman, MHHDC Ltd.

**GUESTS OF HONOUR**
SHRI PU VUNGZAGIN VALTE
Chairman/MTDC
SHRI L. RAMESHWOR SINGH
Hon'ble MLA, Keirao A/C
SHRI L. LAKHER, IAS
(Retd.)
SHRI P. VAIPHEI, IAS
Principal Secretary (TC&I) GoM
SHRI R.K. DINESH SINGH, IAS
Commissioner, (Works), Govt. of Manipur

**PROGRAMME**

PRESENTER : PAUL HAOKIP

| | | |
|---|---|---|
| 01:00 p.m. | : | Handloom Schemes, Director O/o DC (Handlooms), Delhi |
| | : | Handicrafts Schemes, Sr. Director O/o DC (Handicrafts), Delhi |
| | : | Textile Schemes, Director O/o Textile Commissioner, Mumbai |
| 03:00 p.m. | : | Arrival of Guests of Honour, President & Chief Guest |
| | : | Prizes to Best Weavers and DOA Under Handloom Delivery Scheme |
| | : | Slide/Video Show on MANITEX and Handlooms & Textiles |
| | : | Cultural Dance by Vaiphei and Muslim |
| | : | Speech by Guests of Honour |
| | : | Speech by President |
| | : | Speech by Chief Guest |
| 05:00 p.m. | : | Cultural & Fashion Week Programme; |

MEET THE FASHION & BEAUTY PERSONALITIES OF MANIPUR
- Sailex Ng.
- Robert Naorem - Stylist & Designer
- Rakesh Nongmaithem - Mr. Rubaru India 2018
- Achana Konsam - Miss IAWA

MANITEX FASHION WEEK 2018
- Fashion Show of Designers of Bishnupur (A)
- Zumba Dance - Sanjoy Zumba with Luckylee team
- Fashion Show of Designers of Bishnupur (B)

HL-B/4984/13